# মাউদগী দেং ফাওবগী মতমদা চাইনাগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনবা মরীদা লাকখিবা অহোংবশিং -২

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

ঙসি মালেমগী মীয়াম্না উবা ফংনরিবা চাইনা-আমেরিকা অনীগী মুক্নবা অসিনা মরম ওইদুনা য়াম্না মরু ওইবা ৱাহং অমগী পাউখুম থিবা তারক্লি। আমেরিকাগী পোলিটিকল সাইন্টিষ্ট গ্রাহম টি এল্লিশননা হীরম অসিগী মতাংদা ইবা মহাক্কী লাইরিক *Destined for War : Can America and China Escape Thucydides's Trap* হায়বসিদা-- মচীন তুমখৎলক্লিবা চাইনা অমসুং অসুপ্পা পৱার পায়রিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অনী অসি *Thucydides's Trap* (থুসিদাইদসকী লাং) তম্না মাঙ-তাক্লীংঙাইগী মশক ওইরবা লম্বেল অমদা চঙশিল্লক্কদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং অমা হংলি। থুসিদাইদস হায়বসি মমাঙঙৈগী এথেন্সতা লৈরম্বা হিষ্টোরিয়ান অমসুং মিলিটরি কম্মান্দর অমনি। কম্মান্দর অসিগী *History of the Pelopennesian War* হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা য়াওবা 'এথেন্সনা মপাঙ্গল কনখৎলকপা অমসুং ৱাফম অসিনা স্পার্টাদা পোকহল্লকপা অকিবা অদুনা লান শোক্নবা হায়বসি মশানা তারকই" হায়বা ৱাফম অসিদা য়ূন্ফম ওইদুনা এল্লিশননা *Thucydides's Trap* হায়রিবা টর্ম অসি শেল্লকপনি।

এল্লিশননা হংলিবা ৱাহং অসিগী পাউখুম অদু ঐখোয়না শুপ্নগী পুৱারীখক নৈনরগা ফংবা ঙম্লোই। ইকুই কুইখিদ্রিঙৈ ২০শুবা চহীচা -- মরু ওইনা হৌখিবা চহী ৪০ অসিগী মনুংদা লৈনখিবা চাইনা-আমেরিকা অনীগী মরী অদু য়েংলুরবদি হৌজিক ওইরিবা য়েংথীনবগী ফীভম অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা গ্লোবেলাইজেশনগী খোঙজেল তপথহল্লক্লিবা অসি থাজনীংঙাই ওইদে। মাউ জেদোংদগী দেং দিয়াওপিং ফাওবগী মতম অসিদা শেমগৎলকখিবা চাইনা-আমেরিকাগী মরী অসি নৈনদুনা য়েংবা য়াই।

২০শুবা চহীচাদা লৈবাক অনী অসিনা মালেমগী ওইবা খুদোং থীবতনা থল্লবা খূৎ থোক্নবগী পুৱারী অমা মায়োক্নখি। চহীচা অসিগী অহানবা তঙ্খাই অদুগী মনুংদা মশা মশাগী য়াম্না শাথীনা খেন্নবা শেন্মীৎলোনগী ফীভমদগী হৌরদুনা তোঙান তোঙানবা খুন্নাই, নাৎ অমসুং মালেমগী লৈবাকশিংগা লৈনবা মরীদা পীবা ঙম্বা ইথিল অমদি পৱার হায়রিবশিং অসি মান্নদবা তারবসু চাইনা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পূন্না খূৎশম্নদুনা মরু ওইবা থৌদোক-ৱাথোকশিংদা শরুক য়ামিন্নখি। মরু ওইনা, মালেমগী অহানবা অমসুং অনীশুবা লাঞ্জাও শোক্নখিবা মতম অদুদা লৈবাক অনী অসি মীচঙ ওইনা থেংনমিন্নখি। অহানবা মালেমগী লাঞ্জাও অদু লোইরবা মতমদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ৱুদরো ৱিলশননা হৌদোক্লকপা "ফোর্টিন পোইন্টস" অদুবু চাইনাগী ইন্টল্লেকচুয়েলশিংনা তরাম্না ওকখি অমসুং লৌশিনখি। অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মনুংদসু চাইনাগী নেস্নলিষ্ট অমসুং কম্ম্যুনিষ্ট অনীমক্কী লুচিংবশিংনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ডি রুজভেল্ট অমদি য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর ৱিন্সটন চর্চিলনা পুথোক্লকপা "এটলান্টিক চার্টর" অদু অনৌবা মালেম অমা শেমগৎনবা ময়েক শেংলবা চেরোল অমনি হায়না শৌগৎখি। চাইনানা চার্টর অদুবু "মালেম অসিদা অনৌবা মতমগী য়াওল অমা লাক্লে হায়না লাউথোকপগুম্না" উখি। ফোর্টিন পোইন্টস অমসুং এটলান্টিক চার্টর অনীমক অসিনা "লিবরেল ৱর্ল্ড ওর্দর" অমগী য়ূন্ফম থোনবদা মরু ওইবা শক্লোন অমা লৌখি। হায়রিবা দোক্যুমেন্টশিং অসিদা য়াওরিবা ৱারোলশিং অদুনা ফ্রী ত্রেদ, লিবর্টি অমসুং দেমোক্রেসি অসিনচিংবা লিবরেল ভেল্যুশিংগী চেৎলবা য়ূন্ফম অমা থোনখিবদা নত্তনা এন্টি-ইম্পরিয়েলিষ্ট, এন্টি-কোলোনিষ্ট, নেশনল লিবরেশন অমসুং সেল্ফ দিটর্মিনেশন অসিনচিংবগী মরু ওইরবা চৎন-কাঙলোনশিং অসিসু পুথোকখি।

পূম্নমক অসি ওইদুনসু, চাইনা-আমেরিকা অনী মরী লৈনবগী মওং অসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইরবা চহী মরিগী মতুংদা খংহোং হোংলকখি। চাইনাগী কম্ম্যুনিষ্টশিংনা সিভিল ৱারদা নেস্নলিষ্টশিংবু মায়থীবা পীখিবা মতম অদুদগী চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অনী অসি মীচঙ মশেল ওইনা লৈনরম্বদগী খোঙলৈ থুনা য়াম্না য়েংথিনবা য়েক্নবা ওইরকখি।

কুমজা ১৯৪৯দা চাইনাগী কম্ম্যুনিষ্ট লুচিংবা মাউ জেদোং অমসুং চাইনিজ কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি (সী সী পি) না শেম-শাদুনা পুথোক্নবা হোৎনরিবা "অনৌবা চাইনা" গা মরী লৈনবা ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অনীখক ফোঙদোকখি। মাউনা জুন ৩০দা অনৌবা চাইনা অসি সোভিয়েট য়ুনিয়ন অমসুং সোভিয়েটনা লুচিংবা কম্ম্যুনিষ্ট কাঙবুগা খূৎশম্নদা চৎমিন্নরগনি হায়না লাউথোক্লকখি। থা অমা লৈরগা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু মমাঙগী চহীচাদা চাইনাগা লৈনখিবা মরীশিং অদু ফোঙদোকপা আমেরিকাগী হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্লকখি। হায়রিবা পেপর অসিদা পল্লিবা ৱারোলশিং অদুবু য়ানীংদবা উৎনবগীদমক্তা মাউ মশামক্না দ্রাফ্‌ট তৌবা ৱাফম মঙাখক্না, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু অনৌবা মতমশিং অসিদা চাইনাগী মায়োক্তা নমজা-নমথেক্নবা পোলিসি কয়া চথখিবা ইম্পরিয়লিষ্ট লৈবাক অমনি হায়না মরাল শীখি।

**পিপল'স রিপব্লিক ওফ চাইনা (পি আর সী)** শেম্বা হৌগৎলকপগী সেপ্টেম্বর থা লোইরমদাইদা মাউনা মালেমগী মীয়ামদা "চাইনিজ ঐখোয় লেপখৎলক্লে" হায়না লাউথোকখি। মসি মপূং ওইনা চাইনাগী মীয়ামদা কম্ম্যুনিষ্ট ষ্টেট অসি মতমগা চূনরি হায়বদু খঙহন্নবগীদমক্তা লাউথোকপা মরু ওইবা ৱারোল অমনি। ৱাফম অসিবু মাউনা থবক ওইনা পাঙথোক্নবগীদমক্তা মহাক্কী "রেভল্যুশন মথং মথং চথবা" হায়বা ৱাখল্লোন অসিগী পরীংদা মরু ওইবা খোঙজং অনী চঙশিন্নবা শেম-শাখি। খোঙজংশিং অদুদি চাইনাবু য়ুনিভর্শল জষ্টিস, ইক্কেলিটি অমসুং অৱাৎ-অপা লৈতবা লৈবাক অমা ওইহনবা অমদি মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা চাইনাগী মরু ওইবা ফিদা অমা ফংবা ঙমহন্নবগীদমক্তা মালেমগী 'অরিবা' চৎনবীবু শীংনদুনা থুগাইবা অসিনি। মরম অসিনা মাউ অমসুং মহাক্কী কমরেদশিংনা, নোংচুপ্পা খুদুম চনবগী পোৎথোক্লি অমদি রেভল্যুস্নরি চাইনাগা মান্নবা য়ারোই হায়না খন্নবা, হৌজিক ওইরিবা মালেমগী লোনচৎ অসিবু মাউগী লৈঙাক মখাদা লৈবা পি আর সীনা শীংনরকপদা থোইদোক্না ঙক্লিংঙাই ওইদে।

পি আর সী লিংখৎপা শুপ্নগী চহী অমখক্তা ঙায়রিঙৈদা, কোল্ড ৱারগী ইহান হানবা অচৌবা লানফম কোরিয়ন ৱার খঙহৌদনা থোক্লকখি। লান অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খোঙলৈ থুনা খূৎ থিংজিল্লক্তুনা রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী মীচঙদা লৈখি। থা মরিগী মতুংদা লানগী মায়ওন অদু দেমোক্রেটিক পিপল'স রিপব্লিক ওফ কোরিয়ানা মায়থীবা য়াবগী ফীভম অমদা লাকপা উবদগী, মাউ অমসুং চাইনিজ কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি (সী সী পি)গী লিদরশিপনা কোরিয়াদা "চাইনিজ পিপল'স ভোলুন্টিয়র" শিং থাজিন্নবা ৱারেপ লৌখি অমসুং লান অদু চাইনা-আমেরিকা অনীগী লান্মীনা শোক্নবা অচৌবা লানফম অমা ওইনা ওন্থোক্লকখি।

চাইনানা কোরিয়ন ৱারদা য়াওশিনখ্রিবা অসি করিগীনো? মসিদা সিক্যুরিটি অমসুং জিওপোলিটিকল ওইবা ৱাফমশিংনা মরু ওইবা শক্লোন অমা লৌখি। কোরিয়া অসি চাইনাগা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক্লি অমসুং পুৱারীদা য়েংলুরবদি মসি মতম অমদা চাইনাগী মতীক-মঙমনা কোনশিনবা লমদম অমনি। মাউ অমসুং মহাক্কী মপাং ওইরিবা সী সী পি লুচিংবশিংগী মফমদদি, কোরিয়াবু য়েক্নবা ইম্পরিয়েলিষ্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌবদা য়েংদুনা লৈবা হায়বসি চাইনাগী সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ৱাফমদা য়াম্না চাউবা অকিবা অমা পীরকপদা অয়াবা উৎপগুম্বনি। অতোপ্পা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমনা, মাউ অমসুং মহাক্কী কমরেদশিংনা কোরিয়ান ৱার অসিদা য়াওশিন্দুনা মপানগী ৱাথোকশিং অসিবু সী সী পিনা চাইনাগী ষ্টেট অমসুং সোসাইটি অনী অসি কন্ট্রোল তৌবগী মঙম হেনগৎহন্নবা ফরবা পাম্বৈ অমা ওইহনখিবা অসিনি। চাইনানা কোরিয়াদা খূৎ থিংজিনবা অসিদা, মাউ অমসুং মহাক্কী কমরেদশিংনা নোংপোক-এসিয়াগী ওইবা মালেমগী ৱাফমশিংদা চাইনানা মরু ওইবা শক্লোন অমা লৌবগী মমি অমা তাবা উই, মসিনা অমরোমদা অমুক লৈবাক মনুংদা লৈঙাক্কী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ফরবা পাম্বৈ অমসু ওইখি। মাউগী পূক্নীংদা, চাইনানা কোরিয়াদা মায় পাকখিবগী থৌওং অসিবু মালেমদা, মরু ওইনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা "চাইনিজ ঐখোয় অসি" তশেংনমক "হিংগৎলক্লে" হায়বগী খুদম অমা ওইনা শীজিন্ননীংবগী অপাম্বা পোকখি।

মাউ অমসুং সী সী পিনা লুচিংবা "অনৌবা চাইনা" গী অপাম্বা অমসুং মতীক-মঙম অসিবু আমেরিকাগী পোলিসি মেকর অমসুং মিলিটরি প্লান্নরশিং -- মরু ওইনা কোরিয়াদা য়ু এস অমদি য়ু এন ফোর্সশিংগী কম্মান্দর ওইখিবা জেনরেল দোগ্লাশ মেকআর্থরনা য়াম্না হন্থবা মীৎয়েং অমনা য়েংখি। মখোয়না চাইনাগুম্বা লায়রবা অমসুং মপাঙ্গল শোল্লবা লৈবাক অমনা মতীক-মঙম চাউরবা আমেরিকাগী মায়োক্তা লান শোক্নবা ঙমগনি হায়বসি থাজবা পোকখিদে। আমেরিকানা চাইনা অমসুং চাইনিজশিং অসিবু য়াম্না চাওখত্তবা অমসুং হন্থবা থাক্কী মীৎয়েংদা য়েংবা অসি মাউনা খাঙবা ঙমখিদে। মরম অসিনা কোরিয়ান ৱারগী চহীশিং অমসুং মদুগী মতুং ফনা য়াম্না শাংনা এন্টি-য়ু এস-ইম্পরিয়েলিজমগী ৱাফম অসিনা লৈবাক মনুংগী মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা মরু ওইবা পাম্বৈ অমা ওইখি।

চাইনানা কোরিয়াদা খূৎ থিংজিনবা অসিদা মশীং থীঙমদ্রবা চাইনিজ লিশীং কয়াগী (মাউগী মচা নুপা য়াওনা) পূন্সি পিখম্নখি, মরূ হুনবা হৌরকপতা মঙায়রিবা লৈবাক অসিবু ইনৌ নৌনা অমুক শেমগৎ-শাগৎপদা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়ামরুম শীজিন্নখি অমসুং বৈজিংগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লীশাং শীৎনা মুক্নবা হৌরকখি। অদুম ওইনমক, লানফম অসিদা লাম্থেংনবা য়াওরুবদগী মাউ অমসুং মহাক্কী মপাং ওইরিবা সী সী পিগী লুচিংবশিংনা কান্নবা কয়ামরুম পাক-চাউনা ফংবা ঙমখি। লানগী মতম অদুদা সী সী পি মশামক্না রেভল্যুস্নরি নেস্নলিজম অমসুং লৈবাক নীংবগী বেন্নরশিং পায়হন্দুনা অকনবা মওংদা মীয়াম্বু মোবিলাইজ তৌবগী খূথাংদা চাইনিজ খুন্নাইগী কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা চঙশিনবদা পাক-শন্না শৌগৎনরকপা থেংনখিবগা লোয়নননা মীয়ামগী পূক্নীংদা মশাগী ওথোরিটি অমসুং থবক-থৌওংশিংবু অঙকপা মওংদা য়ানীংবগী চাং হেনগৎহনখি। মালেমগী ওইবা মীৎয়েংদসু মাউ অমসুং মহাক্কী কমরেদশিংনা, চাইনাগা তাইনবা কোরিয়াগী ঙমখৈ তম্না চঙশিল্লকপা আমেরিকাগী মিলিটরিবু তকথোকখিবা অসিনা হৌজিক্তি মরূপ অমদি য়েক্নবা লৈবাক অনীমক্না চাইনাবু অচৌবা পৱার অমগী থাক্তা লৌরগনি হায়নসু থাজবা পোকহনখি।

(মখা চথখজরকখিগনি)

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্না মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (৫)

- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -

(হান্নগী মখা চথখজরকপা...)

হৌরো হৌরো পারীখোয়্
মপুগী পাওবু লাক্‌য়ে ইবুঙোসিং
হৌরো হৌরো পারীখোয়্।।০।।
পোক্‌লেন্ পোক্‌পা য়াওল্‌লে
তুং-না-মাঙ্ ওইরক্‌লে,
সিৎলুবা নুংশিৎ হলক্‌লে
পঙ্‌ধরুবা সিংলী হৌরক্‌লে।।১।।
লৈকোন্‌দা সাৎপা লৈরেন্‌দা
খোইমু খোইরা ইলক্‌য়ে
ইপু সিদবা য়াকায়্‌রো
ইবেন্ সিদবী থাগোল্‌লো।।২।।
লাইরেম্‌বী লিসিং জগোই থোক্‌য়ে
ইপু সিদবা হরাওরে,
লাইরৈবাক্‌কী নিংথিবা কুমৈ য়েঙরো
অফ-নুঙাই থুংজরো।।৩।।
তুরেন্ লাইজা পাথনি
সিদবা নিংথৌ লেংগনি,
খুয়া তপ্‌না থাবিও
মিৎয়েং চুম্‌না য়েংবিও।।৪।।
মপুগী মনাই ননাইনা
লৈখা তাঘিবা খুন্‌গৎপিউ,
অফ-নুঙাই পীনবিউ।।৫।।

-লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলো

চহী ৩০০ (চহুম) বু তূম্বা হৌনবরা হায়দুনা মীতৈশিংবু মিকপ থোকহনবীরম্বা লাইনিংহল মিংথোন ফংখ্রবা অমসুং লাইপোক ওইখ্রবা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুন্দ্রে (ফুলো) কছার দিষ্ট্রিক্টকী রাজেশ্বরপুরদগী জারিবোল লাইশ্রম খুল ময়ায় লৈকায়দা কুমজা ১৮৮৮গী ওগষ্ট ২৯ থৱানগী ২২নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাইদা তাইবঙদা খোঙদারকখি। অপোকপা নাওরেম চাউবা অমদি মমা ইবেম্মা থম্বৌগী ৮শুবা মচানুপানি। মপা পোকপা মপুবোক হেরান্দোনা অৱা লানগাইবা, চহী ৭ খুন্তাকপদা কছারদা লাঞ্জেল্লকপগী নুংঙাইতবা কয়ানা থম্মোয়দা চাউরবা অৱাবা অমা ওইরম্মী। মণিপুরগী লম্মীৎ-তুমিৎ, লাইফম-তিনফম, লাইনীং-লাইশোলগী মরমদা নীংশিংদুনা তূম্লমদাই খুদিংগী ৱারী ওইনা লীদুনা তাহল্লম্মী। মশুনুপা ফুলোনা পূক্নিং চঙনা তাজখিবা অদুনা মহাক্কী থম্মোয়দা মরৈবাক মরমদম মীতৈ লৈবাক (মণিপুর) বু নুংশিবগী ঈহুল অমা অঙাং ওইরিঙৈদগী ফাওরকখি। নাওরিয়া ফুলোগী মচিন-মনাও তরানি। অঙাং ওইরিঙৈদা শাওং-শাদা ফুন্দ্রেনা খেৎপগুম্না থোৎ-নৌনা ফজে হায়দুনা মপুবোক্না মহাকপু 'ফুন্দ্রে' হায়না মিংথোনখি। স্কুলদা তম্লবা মতমদা ওজানা মহাকপু লৈগুম্না থোৎ-নৌই হায়দুনা 'ফুল' হায়না মিংথোনবীখি। মমৈদা মীয়াম্না ফুলো হায়না খঙনখি। কুমজা ১৯৪১গী জুন ৩০গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা মশাগী চহী ৫৩ শুরকপদা লাইনিংহল তাইবঙ থাদোক্তুনা মপুগী মনাক য়ৌখি।

লাইপোক হায়বসি ঐখোয়না করম্না খঙগদগে, ঐখোয়না নুংশিবা, পামজবা অমসুং থাগৎনীংবা মী অমবু হেক্তা হায়জিনবা য়াবা নত্তে। মী অদুগী তৌবা ঙম্বা থবক অদুনা মহাকপু লাইপোক্লি হায়নরিবনি। ঐখোয় মী ঙাক্তনি অদুবু মীমান্নদে। থবক-থৌরম্না মীগী মনুংদা মখল অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই :- মদুদি (১) মী লাই (২) মী (৩) মী শা। লাইগী পুকচেল চেনবা, লাইগী থৌরম তৌববু লাইপোক কৌই হায়বনি, লাইদগী হাইথরকপা মীওইবগী থাক্তা লৈববু মী হায়বনি, অদুগা মীওইবদগী হাইথরক্তুনা শাগী পুকচেল চেনববু শানি হায়বনি। নাওরিয়া ফুলোগী ৱাহৈদা "থৌরম্না লাইনি, থৌরম্না মীনি" হায়বসি লেংবা য়ারোইদবা ৱা ওইগনি। মিৎয়েং অসিদা লাইনিংহলবু লাইপোক্লি হায়না শক্তাক্তবা ঙমদে।

ঈরূপ, ফূরুপ কয়াগী লাইনিং লিচৎ (ধর্ম্ম) মাঙলক্লবা, শারমচৎনা হেল্লক্লবা মতমদা ফত্তবশিংবু মাঙহন্নবা অফববু ঙাক-শেন্নবা, লাইনিং-পরৈ চেৎপশিংবু কন্নবা মতম মতমদা তাইবঙপানবগী মপুনা লাইপোক ওইবা মীওই অমা সায়োল-লাংওন ওইদুনা পোক্লকই হায়নৈ। অচুম্বা ৱাফম্বু লৌখৎচরগা লাইনীংহলবু শকতাক্তাচরি- হিন্দু ধর্ম্মনা চহী ২৫০ রোম মীতৈগী মথক্তা পান্দুনা মীতৈনা হিন্দু ওন্দুনা মশানা মশাবু মীতৈনি শকখঙজবা ঙমদ্রবা মীতৈ পুমমুৎ মুৎপা তারবা মতমদা লাইনীংহল নাওরিয়ানা ঐখোয় মীতৈনি, আর্য্যগী মচা-মশু হিন্দু নত্তে। মীতৈ লীচৎ (ধর্ম্ম) চৎকদবনি। হিন্দু ধর্ম্ম থাদোক্কদবনি, মীতৈলোলনা লাইরোলনি হায়দুনা হোৎনরম্মী অমসুং মীতৈবু অনৌবা মপোক অমা পোকহনখি। থৌরম অসিনা লাইনিংহল ফুলোবু লাইপোক্লি হায়বনি। মীতৈ ইপা-ইপুনা মতমগী খোঙলৈ তাকপদা শীংথারম্বা "নোংচুপলোমদগী মীতৈ অরিবনা পুয়া কোকথোংনদুনা লাক্কনি, তিনখোং-লাইখোং থিরখিনি, মতম অদুদা মীতৈগী লাইনিং-লীচৎ পূম্নমক অমুক হল্লক্কনি' হায়রম্বা লাংওনদু অহলমক্লি হায়না তশেং তশেংনা তাক্লি। পারী-পুরি মতুং ইন্না লাইনিংহল মীতৈ অরিবনি, নোংচুপলোমদগী কছারদগীনি। পুয়া কংলৈরোল কয়া পুথোক্তুনা নৈনরম্বা অমসুং উহল্লম্বনি। মরম অসিনা লাইনিংহল ঐখোয়গী পুয়ানা তাক্লম্বা মীশক্তুমক্লি।

(মখা চথখজরকখিগনি)

# 'অরাম্বম লুৱাংচা নিংথেমজাওগী মফমদা কংচবা' - ২

- ডা. অরাম্বম সনাতোম্বা লুৱাং -

(হান্নগী মখা চথখজরকপা...)

২) মতম্না পুরকপা চহী ১০০গী মনুংদা অমুক্তং তারকপা শজিবু থাগী তরেৎনি পানবা নোংমাইজিং কুমজা ২০১৪দা কোংবা মরু তুরেল অফৈবীদা উকল য়াওনা কোংবা লৈথোং ফাৎপগী লাইথৌ লৈখিদ্রবা চীঙ্গাংবম ওমরমচংনা অমাইবা ওইবীদুনা থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকখি।

৩) হিয়াঙ্গৈ নোংমা পানবা তাং ১২-১১-২০২৫ শগোলশেলদা পাঙ্গৈদা লৈবা ইরম কোনগী ঈশিং ৱাইতোন্দা লৈবা ষণশেনথোংগী মখোঙগী লৈবাক্লা কোংবা মরূগী মতিক ময়াইনা পুনবা মীতম ঙামুগী শক মানবা খুভম অমা থেংনদুনা মীওই অহুম্না থৌনি থৌরম পাঙথোক্তুনা উহন থাখি।

৪) ফাইরেন নোংমা পানবা তাং ২৮-০১-২০১৭ থাংজ নুমিত্তা (ৱাঙ্গৈাই সনামহী-উরিপোক খল্লাংবা-খুরাই অহোংপুং-খুরাই খুনফমলেন-নোংমাইজিং ৱাখা লাকপা, ফুবালা লোক মরূ, খাবী নম্বোল) খূৎ ৭না মীরমচৎ-লাইরমচৎ ওইবনা থাংজিং ৱাংব্রেন, মার্জিং কৌব্রু শরোই ৬১না শা তান্দুনা য়াংকোক্তা ফাদুনা লাংলুকোনগী ইমাদা শিননদুনা থৌ পাংখি।

৫) লমতা ১১নি চৈচৎ ১৭-০৩-২০১৯ নোংমাইজিং নুমিত্তা মরোল অহুমগী ফম্বালদা অতিংকোক মরূ শলাইরেল শিদবনা (৩) নি পাঙ্গল থৌনা (৪) নি শেন্বী-শাবীবা ওইনা ঙাম্থোইবীখি।

৬) কুমজা ২০২০গী মেরা থানুংদা মালেম লৈখোং-থোংখোঙ নিক্লা মৈবী-মৈবা হৌনা পাখংবা কোল চংলে, পাখংবা কোল চংবগী লাইথৌদি কোংবা মরূ চীংখোঙ তুরেল অফৈবীদা ৱাকল পম্থোং হয়ি-হয়া নামু পোংথোক লমগী শংলেন্দা শজিবু ৭ (তরেৎ) নি পানবা তাং ৩১-০৩-২০২০ লৈবাকপোকপা, পোইনু ৬নি পানবা তাং ২০-১২-২০২০ নোংমাইজিংদা শরেং-ঙারেল থেন্দুনা ঙারা-ঙাচিন্না শারোই খাঙখি লৈমা পীবা ৭না।

৭) ইনুংলোনগী ওইবনা মোইরাং ফৌ, কুম্বী ফৌ অমসুং পোইরৈতোন ফৌ মখল অহুম্বু ফৌদাং পীবগা লোয়ননা কালেন ২০নি পানবা তাং ১৭-০৬-২০২১ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা তরাগী চৈশুনা কংলা শাগী কাবাচৈ লৌথোক্নবা লৈবাক নিংথৌনা থৌ শুবগী মচাক্তি (ইচুম-কাফুৎ-ইফুৎ-ইচেন-ইপাক-ইকোম-হিদেন) গী ঈশিংগা লোয়ননা অথুম্বা-অশিনবা-অফকপা-অয়াকপা-অকাবা-অরেংবা-অশাবা, তুম্বা কোরেক ফম্বালদা শাবা খোইরেন খোইরা অমদি চীংঙুগী লাংওন ওইবা কাংদ্রুমগী মতুমগা লোয়ননা তুপী-লাইস্না পাখংবগী মাংদা থেল্লিবা পূম্নমক পুদুনা ঈথাই-পুনমচিংগী হিদেন্দা চেঙবী চেঙবা হৈবা, মৈরা মেক্রুক থাদুনা অরাম্বাইগী শোবিৎ য়াওনা থৌবাংলবা মতুং ইকুই কুইদনা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা কংলা শাগী ময়াদা লৈবা কাবাচৈ লৌথোকখি।

৮) লাংবন নোংমা পানবা তাং ১৬-০৮-২০২৩ থাংজ নুমিৎতা লাংবন চরা তম্বগী লাইথৌ থাংজিং লাইদগী হৌরগা থাংজিং লাইদা লোইখিবদি নুপীশিংগী থাগী লৈ শাৎপগী (নুংলোল) পুয়াগী মরমশিং য়াওবা চে চন্নম ষনত্রোকতগী অয়ূক পুং ৭তগী হৌবনা থম্না পোকপীদা নুংথিল পুং ৬তা য়েম্থোকপা লোইখি।

৯) থৱানগী অনীশুবগী নোংমা পানবা তাং ২৭-০৮-২০২৩ শগোলশেনগী মঙাং মতমদা থৱায়-মিরেল অচংবা ওইননবগীদমক কোংবা মরূগী থৌমীশিংনা লাইনিংলূপশিংগী ওইবা উকলগা লোয়ননা অকনবা মীতৈ-কুকিগী লান মরক্তা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা ঙাক শেলহন্দুনা কোংবা মরূদা লাইগী থৌরম পাঙথোকখি।

১০) থৱান থাগী নুমিৎ কুমজা ২০২৫গী ওগষ্ট ২৩, থাংজ নুমিৎতা কোংবা মরূ থোংবম থিঙেলদা ইপুরোই শিদবনা তাইবঙ পানবগী থৱায় মিরেল অচঙবা পীবিয়ু হায়না নীজবগী থৌ লুচিংপুরেল অরাম্বম লুৱাং নিংথেমজাওনা মশাগী অনাবগী চৈনা খাঙদুনা চৈশুনা শৌঙাক ওইদুনা মহাক্না লাইথৌ পাঙথোকপীরম্বা অসিনা মহাক্কী অরোইবা শিন্থা ওইখ্রে।

"কৌদনা খুমগদ্রা? হংদনা তাক্কদ্রা?" হায়বা ৱাহৈ পরেং অসি লৈখিদ্রবা লুচিংপুরেল কাকা অরাম্বম লুৱাংচা নিংথেমজাওনা তত্তনা হায়বীরম্বা কাউঙমদনা লৈহৌরগদবা ৱাহৈশিংনি। লুপখিবনিনা মতমগী ইরোলনুংদা থিবু থিদ্রবদি ফংবা ঙম্লোই; হংবু হংদ্রবদি তাক্লক্লোই। থিরসি লাও লিক্লম পারী-পুরীগী; লীরসি খোঙ্গুল ইপা-ইপুগী। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২২গী ৱাহং**

১) "ৱানোম্বা" হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "বিলি বিশ্বাশকী অঙকপা কেশ" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং ইয়ু।

৩) "শৈরেং চাম্মনিপাল" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) "নুপীগী আশ্রম" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) "মপান মণিপুরগী মণিপুরী সাহিত্যগী মশক" হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।